# নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ঙাগী মেলা অমদি ঙাগী পোত্থোক চাংদম্নবা

ডা: যূম্নাম বেদজিৎ




চহী খুদিংগী ওইবা নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ফিশরিজ দিপার্টমেন্টনা ঙাগী মেলা পাঙথোক্লি অমদি ঙামীশিংবু পূক্লিং থৌগৎপীবা ওইনা ঙাগী পোত্থোক চাংদম্নবসু পাঙথোক্লি। হায়রিবা থৌওং অসি মীয়ামগী য়েংলগা লৈঙাক্না শিনবীবা য়াম্না ফবা থৌশিল অমনি। ঐখোয়গী ইরমদম অসি ঙাবু য়াম্না পাম্না চাবা মীওইনা অয়াম্বা শরুক ওইবা লমদম অমনি। অদুগীসু মথক্তা নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বা হরাও কুম্মৈ অসিসু চহী অমদা অমুক্তং থোকপা লমদম অসিগী খ্বাইদগী চাওবা হরাও কুম্মৈগী থৌরম অমনি।

নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ অসিদা ময়ূম পানখ্রবা নিংঙোলশিংবু মবুং মৌপ্বাশিংনা মপামদা চাক্কৌবা মতমদা নিংঙোলশিংনা পামজবা ঙা মখলশিং থোংদুনা পীজবা অসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। হায়রিবা কুম্মৈ অসি মণিপুরগী যূম অয়াম্বদা পাঙথোকপা ওইবনিনা নুমিৎ অসিগী ওইনা ঙাগী দরকার ওইবসি অসুক্কী মতিক য়াম্মী। তৌইগুম্বসুং ফিশরিজ দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা ঙাগী মেলা তৌদুনা মখল কয়াগী ঙা ফংহনবদা নত্তনা অহোঙবা মমলদা ঙা ফংহল্লিবা অসি মীচম মীয়ামগী লাইবক ফবনি।

মণিপুরগী মীওইশিংনা য়াম্না পাম্না চানবা ঙা মখলশিং খুদম ওইনা হায়রবদা পেংবা, ঙাতোন, খাবকনচিংবা লমদম অসিদা মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা অমদি চেকশিলহৌদ্রবদি মুৎখিগদৌরবা ঙা মখলশিং পুথোরক্তুনা মীয়ামদা ফংহল্লি। ঙামীশিংগী পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা এৱার্দ কয়া পীদুনা ঙা য়াম্না পুথোকপা তান্নহল্লি অমদি মৈহৌরোলদগী লমদম অসিদা লৈরক্লবা ঙা মখলশিং খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা ঙামী অদুবুসু এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপদা নত্তনা শেলগী মনাসু পীরি। হায়রিবা থৌওং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখৎপা অফবা থৌশিল অমনি। থৌশিল অসিনা মরম ওইদুনা মৈহৌরোলদগী লমদম অসিদা লৈরক্লবা তাঙলবা ঙা মখলশিংবু মুৎখিগদৌবদগী কলহৌনবা য়াম্না ফবা থৌশিল অমনি। মসিদসু নত্তনা ঙামীশিংনা খুদোং চাননবগীদমক ঙা পুথোক পুশিন তৌবদা চঙবা শেল ফিশরিজ দিপার্টমেন্টনা হঞ্জিনবীবা অমদি শেল তিংদনা ঙাগী য়োনফম (ষ্টোল) পীবা অসিনচিংবনি।

মতাং অসিদা মীয়ামদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি ঙাতোন/খাবক হায়রিবা ঙা অসি মণিপুরগী অহল-লমনশিংনা য়াম্না পাম্না চানরম্বা অমদি য়াম্না মরাং কায়না ফংলম্বা ঙা মখল অমনি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি নহা অয়াম্বনা মশক ফাওবা ফজনা খঙনদ্রে। অদুবু মহৌশাগী ঈশিংশিংদদি য়াম্না তাঙনা ফংলি। তৌইগুম্বসুং মীওই খরনা হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোক্তুনা য়োক্লরকপদগী হৌজিক্তি খরমখৈদি পুথোকপা ঙম্লে। অহল লমনশিংনা হায়নরল্লিবা ঙাতোন অসিনা খরা পিক্লিবা ঙাশিং অদুবুনি অদুগা মপূং মরৈ ফারবা ঙাশিং অদুবুনা খাবক হায়না খঙনরম্মী। অহল লমনশিংনা হায়নরল্লিবা ঙাতোন অমদি খাবক অসি ঙা মখল অমখক্তদি নত্তে, য়াম্না নক্লবা, মান্নবা ঙা মখলশিংনি।

ইকায়খুম্নবদা মতিক চারবা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইবিরিবা শ্রী নোংথোম্বম বিরেনগী লমজিং মখাদা শরেং য়োকপগী থৌরাং পায়খৎপীদুনা লমদম অসিদা য়োকপা অহিংবা শরেংসু ময়ামদা উবা ফংহনখিবা অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মরু ওইনা ফিশরিজ দিপার্টমেন্টকী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়জনীংই। হায়রিবা থৌওং অসি মালেমগী অতৈ মফমশিংদা কনাগুম্বা অমত্তনা ফজনা পাঙথোক্লদ্রিবা থৌওং অমনি। মরম অদুনা ফিশরিজ দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং অমদি মরী লৈনবা মীওইশিংনা অকূপ্পা মীৎয়েং চঙবীদুনা শরেং য়োকপা, মচা পুথোকপা, শরেং কিলোগ্রাম অমা পুথোকপদা শেল কয়াম চঙবগে অমদি শরেং য়োক্লিবা মীওইদনা শেল কয়াম তোংবগে হায়বনচিংবা কয়া থিজিনবীদুনা ময়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবীরবদি অসুক্কী মতিক কান্নগনি। মসিগীসু মথক্তা শরেং হায়বা ঙা অসিদি অতোপ্পা ঙা য়াম্না চাবা ঙা ওইবনিনা করম্বা



মফমদা য়োক্লবদি মহৌশাগী ঈশিংদা নাম্থোকখিরোই, করিগুম্বা নাম্থোখিবা থোক্লবদি করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা য়াবগে হায়বনচিংবা মুন্না খন্থমিন্নসি। পাৎ অমা ঈশিৎপা মতমদা শরেং অমখক লৈরম্মী হায়বা অহল-লমনশিংনা হায়নরম্বা ৱাফমসু লৈ। মরম অদুনা মীওই খুদিংমক্না ৱাখল তামিন্নরগা শরেং য়োকমিন্নরবদি য়াম্না কান্নবা ওইগনি।

ঙাগী মেলা তৌবা অমদি ঙাগী পোত্থোক য়াম্না পুথোকপা তান্নবগী চাংদম্নবনচিংবা থৌওংশিং অসি অসুক্কী মতিক কান্নখ্রবা থৌওংশিংনি। মরম অদুনা হায়রিবা থৌওংশিং অসিদি চহী অমদা অমুক্তং পাঙথোকপগী মহুত্তা মখল কয়া থোক্না অমদি মফম কয়াদা পাঙথোকপগী তঙাইফদবসু লৈরি। খুদম ওইনা হায়রবদা খোইচোপ মেলা, ইমোইনুগী নুমিৎকা মরী লৈননা ঙাগী মেলা তৌবা, তোঙান তোঙানবা মফমগী মথৌ তাবগী মতুংইন্না মফম কয়াদা ঙাগী মেলা তৌবা, ঙা য়োকপনা মরু ওইবা শরুক ওইরগা ইকোটুরিজম শেমগৎপনচিংবা থৌরাং কয়া পাঙথোক্তুনা লমদম অসিগী ঙামীশিং অমদি ঙাবু পামজবা মীওই কয়াগী পূক্লিং চিংশিন্দুনা লমদম অসিগী ফিশরিজ সেক্টর অসি চাওখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। ●

# পোত্থোক হেনগৎহনবদা বোরোননা লৌরিবা থৌদাং

ডা. ৱাইখোম জিতেন

চাং য়ামদনা পাম্বীনা মথৌ তাবা পাম্বীবু মপূং মরৈ ফাহন্দুনা পোত্থোক পুথোকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিংগী মনুংদা বোরোন হায়বসিসু অমনি। মসি পাম্বীগী সেল ৱাল অমসুং মহৈ পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙলিবা পোৎলমশিং শেম্বদা তঙাইফদনা চঙই। চাং য়ামদনা দরকার লৈবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিংগী মনুংদা জিঙ্ককী মথংদা বোরোন ৱাৎপগী অৱাবা মালেমগী অয়াম্বা মফমদা থেংনৈ।

বোরোননা পাম্বীশিংদা পীরিবা কান্নবা : (২) পাম্বী অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা চঙলিবা খ্বাইদগী পিকপা খুজিং (য়ুনিট) ওইরিবা সেল হায়বা অসিগী মপান থংবা কুয়োম অসি শেম শাবা অমসুং পাম্বী অমগী মওং মতৌ কায়দনা লৈহনবদা বোরোন অসি তঙাইফদে।

(খ) পাম্বী অমগী সেল মশীং হেনগৎহনবা, চাও শাংবা হেনগৎহনবদা বোরোনগী য়াম্না চাউবা থৌদাং লৈ।

(গ) হৱাই মখলগী পাম্বীশিংনা রাইজোবিয়মগী মতেংনা নুংশিত্তগী নাইট্রোজেন ফাজিনবদা বোরোনগী অচৌবা থৌদাং লৈ।

(ঘ) নুংশা মঙালগী মতেংনা পাম্বীনা মচিঞ্জাক শুংজবদা চঙলিবা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং শেম শাবদা বোরোন অসি তঙাইফদে।

(ঙ) পাম্বীশিংদা লৈ মশীং হেন্না শাৎহনবগা লোয়নননা লৈ খুদিংমক মপূং ফানা মহৈ পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙলিবা পোৎলমশিং শেম শাবদা বোরোন অসি তঙাইফদনা চঙই।

(চ) পাম্বীগী অতোপ্পা মচিঞ্জাকশিং খুদম ওইনা নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাসিয়ম, জিঙ্ক, আইরন, কোপ্পরনচিংবশিং পাম্বীনা মপূং ফানা লৌখৎপদা বোরোননা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

বোরোন তোয়না ৱাৎকনবা মফমশিং :- (অ) লৈঙোইনা মপূং ওইনা তৌবগা লোয়ননা নোং য়াম্না তাগনবা মফমশিংদা।

(আ) কা হেন্না লৈতান ঙাক্তা ওইনা তৌবা মফম ওইবগা লোয়ননা illite কৌবা লৈতানগী মখল ওইবা লৈবাক।

(ই) অশিন অয়াক্কী চাংদা অয়াকপরোমদা হেন্না চঙশিনবা হায়বদি pH 6.5 অমসুং মসিদগী হেনগৎপগা লোয়ন-লোয়ননা কা হেন্না শিনবদগী শুনু চাইখিবদা ঙাইরিবা লৌফম।

(ঈ) ষষ্টি-ষণয়ুং অমসুং নাপী-শিংবীদগী পশ্থ-পুমথরগা ওইবা লৈবাক লৈশা মরাং কায়না য়াওদবা লমদমদা বোরোন তোয়না ৱাৎলি।

(উ) লৈবাক লৈশাদা য়াওগদবা ঈনিলগী চাং কা হেন্না নেম্বগা লোয়ননা কা হেন্না কংবা ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম ওইবা মতম।

(ঊ) অতোপ্পা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইরিবা কেলসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওবা মফমদা বোরোন ৱাৎপগী অৱাবা মায়াক্লে।

(ঋ) পাম্বী মখল খেন্নবগী মতুংইন্না পাম্বীশিংনা বোরোন মথৌ তাবগী চাং খেন্নৈ। খুদম ওইনা কোবি, হঙ্গাম অমদি হৱাই মখলগী পাম্বীশিংদা বোরোন ৱাৎপগী লায়ওং ঙন্না উবা ফংই।

বোরোন মথৌ তাবগী মতুংইন্না খায়দোকপা পাম্বীগী মখল

| চাং ৱাংনা মথৌ তাবা | ময়ায় ওইনা মথৌ তাবা | চাং নেম্না মথৌ তাবা |
|---|---|---|
| এপ্পল | কেরোট | হৱাই অশাংবী মখল |
| কোবি | লশিং | ফৌ, গেহু, চুজাক |
| কোবি লৈ | Lettuce | কোমলা, চমপ্রা |
| Sugarbeet | তিলহৌ | অঙ্গুর |
| নুমিৎ লৈ | মঙ্গ্রা | আলু |
| হঙ্গাম মরূ কাবী | হীদাক মনা | ষ্ট্রৌ বেরি |
| থাও শুম্নবা হঙ্গাম | | |

বোরোন ৱাৎপগী লায়ওং :- পাম্বী মখল খেন্নবগী মতুংইন্না বোরোন ৱাৎপগী লায়ওং পাম্বী অমগা পাম্বী অমগা মান্নদে অদুবু অয়াম্বা মতমদা বোরোন ৱাৎপা অসি অনৌবা মনা অমদি ময়োল লোয়ন-লোয়ননা মহৈ মপালশিংদা হান্না উৎলি। বোরোন ৱাৎপগী লায়ওং অসি মপূং ওইনা পাম্বীগী ওইফম থোকপা ফীভম অমদি মওং মরীন কায়বা খুদম ওইনা মরূদা, মউদা, মনা অমদি মহৈশিংদা চেকখায়বা, কোনবা, কোনশিনবা, মনুং হোবনচিংবনি। মসিগী মথক্তা নৌনা চোংখৎলক্কদবা পাম্বীগী শরুকশিং চোংখৎপা ৱাৎপা হায়রিবা অসি ময়োল, মরাগী মতোল, অনৌবা মনাগী মতোন অমদি লৈশিংদা উবা ফংগনি।

কোবি মখলগী পাম্বীশিংগী মউ খায়দোকপদা মনুং হোবা থেংনবিরিবদু বোরোন ৱাৎপগীনি। অদুগা কোবি লৈ পাম্বীগী লৈগী শরুক অদু মমায় চাম্বা হায়বদি লৈগী ফজবা শরুক মাঙহনবগী থৌওং অদু বোরোন ৱাৎপননি। উহৈশিং কা হেন্না চেকখায়বগী থৌওং অসিসু বোরোন ৱাৎপনা মপূং ওইগল্লি। আলুগী অনৌবা ময়োল চোংবা ঙমদবগা লোয়ননা অনৌবা মনাশিং মথকলোমদা কোনখৎতুনা তেঙ্কোৎ শানা লৈবা অসিসু বোরোন ৱাৎপনা ওইগল্লি। থাও শুম্নবা হঙ্গামদা চাওদম থিনবগা লোয়ননা অরিবা মনাশিংদা কোম্বীরৈ মচু ওইনা নেমশিন্দুনা মপাল শাৎতোকপা ঙমদনা লৈবা অসিসু বোরোন ৱাৎপগা মরী লৈনগল্লি।

বোরোন ৱাৎপদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ :- বোরোন ৱাৎপদগী ঙাকথোক্লবগীদমক তোঙান তোঙানবা বোরোন য়াওবা হার মখলশিং খুদম ওইনা বোরেক্স,এগ্রিবোর, ত্রোনাবোর, বোরিক এসিদ, সোলুবোর, পোরটাবোর, বোরোন ফ্রুইটস, বোরোমেক্সনচিংবশিং শীজিন্নবা য়াই। তৌবতদি হায়রিবশিং অসি লৈবাক্তা বোরোন ০.৩-৩ কেজি লৌ পরি অমগী লৌফমদা লৈবাক্তা হান্না য়াওরিবা বোরোনগী চাং অমদি থাগদৌরিবা পাম্বী অদুনা মথৌ তাবা বোরোনগী চাং অদুগা য়েৎন্নরগা হাপ্পীগদবনি। মরমদি বোরোন ৱাৎপগী অমসুং বোরোন হেনবগী মরক্তা খেন্নরিবসি চাং য়াম্না নেমই। হায়বদি বোরোন কা হেন্না মথৌ তাবা পাম্বীশিংগীদমক য়েংলগা হাপ্পা বোরোনগী চাংনা বোরোন নেম্না লৈবা পাম্বীশিংদা বোরোন হেনবগী অৱাবা মায়োক্লহনবা য়াই। ঈশিংদা থিৎলগা মনাদা কাপ্পবা বোরোন য়াওবা হারশিং বোরোন ০.২-০.৫%গী চাংদা কাপ্পা য়াই। বোরোমেক্স কৌবা বোরোন ২০% য়াওবা হীদাক মখল অসি ঈশিং লিটর অমদা গ্রাম ১.৫-২গী চাংদা হাপ্লগা নুমিৎ ১০-১৫নি কান্নরগা অনীরক্তং কাপ্পীরবসু বোরোন ৱাৎপদগী ঙাকথোকপা ঙমই। বোরোন ৱাৎপগী লায়ওং উখ্রবা লৌফমদা বোরোন ০.১৫-০.২% গী চাংদা হাপ্লবা বোরোনোটেদ সিঙ্গল সুপর ফোসফেট শীজিন্নরগসু বোরোন ৱাৎপগী অৱাবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

তোঙান তোঙানবা লৌফমদা লৈরিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী চাং খঙনা পাম্বীশিংদা মচিঞ্জাক পীদুনা পোত্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা লৌউ কাঙলোন অমা ওইরে। ●

# যূমদা লোয়বা হুই-হৌদোংশিংদা নাগনবা উনশাগী লায়েংশিং

- ময়াংলম্বম ওলিম্পিওন -

যূমদা লোয়নরিবা পেটস মরু ওইনা হুই অমদি হৌদোংশিংদা ঐখোয়না নুংতিগী মশা নান্না থল্লবসু, তোয়না ইরুজবীরসু, *anti ticks, antifungal powder, sprays* নচিংবা মখোয়গী স্কিনদা চাইবীরবসু/কাপ্পীরবসু মদুনা চাম্মদা চাম্মা ফহনবা ঙমদে অমদি ঐখোয়না থারিবা হীদাক নৎত্রগা পাওদর অদুনা ইলেক্টিভ ওইদবা বেক্টিরিয়া, পেরাসাইটস য়াওবনা মরম ওইদুনা জীব কয়া অমদি হিংদুনা লৈ। অসিগুম্লবা জীবশিংসি অমা/অনী লৈবদা থোইনা অকায়বা লৈতে অদুবু মশীং য়াম্লক্তুনা শন্দোরক্লবদি মখোয়না লায়না অমগুম্না উখোরকই। মখোয়দা করিগুম্বালায়না লৈরকপা য়াবগী অমদি ফনবা পাম্বৈ খরা থমজরি।

হুই-হৌদোংগী স্কিন দিজিজ হায়রগা মীয়াম্না খরা কম্মন ওইবতং খঙনৈ, ফ্লি লৈবা, টিক্স লৈবা, মাইটশিংনা থোকহনবা *mange infection, ringworm infection (fungal infection)* অসিনচিংবনি অদুগা কুপথনা য়েংবদা উনশা ঙাংশিনবা *(hypersensitivity), allergy,* মতু কেনবা, মৈনা চাকপদগী উনশাদা নাই চারকপা, হীদাক ওন্নবদগী নৎত্রগা অতোপ্পনা চিকপদগী নাই চারকপা (বেক্টিরিয়ানা থোকহনবনি), পোমখৎলকপা (ট্যুমরস), কাংনা চিকপা *(mosquito bite hypersensitivity)* অসিনচিংবনি। অদুবু মসিনা লোইবা নৎত্রি, ঐখোয়না স্কিনগী মরমদা নৈনবদু *Dermatology* হায়না খঙনৈ, হুই-হৌদোংগী স্কিন *dermatology* দা লায়না মখল কয়া লৈরি। অনৌবা কয়া অমসু থোরল্লি, চিঞ্জাক লৈফম-চাফম অমদি হিষ্ট্রিগা অয়াম্বা মরী লৈনবনা হেল্লি। জীবশিংদগী লৌনরক্তুনা মীওইবদসু অয়াম্বা মরী লৈনবনা হেল্লি। জীবশিংদগী লৌনরক্তুনা মীওইবদসু শন্দোরকপা ঙমহল্লি হায়বদি জুনোটিক ওইবা লায়না কয়া অমসু লৈরি।

ঐনা ঙসি মখাদা থমজগদৌরিবসি, করম্বা পেরাসাইটস, ফঙ্গি অমদি বেক্টিরিয়ানা উনশাদা চঙলবা মতুংদা য়াম্না কম্মন ওইবা লায়না লাইওং উৎহনলকপগে অমদি মসিদগী ঙাকথোক্লবা খোঙথাং অমসুং ফনবা পাম্বৈ অদু খঙমিন্নসি। মখাদা থমজরিবসি মীৎনা উবা জীব (পেরাসাইটিস) তগী হৌজরগা মীৎনা উবা ঙমদবা, মাইক্রোসকোপ খক্তংনা উবা ঙম্বা বেক্টিরিয়া ফাওবগী শেমজরি।

⏩ পেরাসাইটস *(Flea, ticks, moth, mites, mosquitos) :* মসিগী গ্রুপ অসিদি স্কিনদা লৈবা মতমদা মীৎনা উগনি, ঐখোয়না এক্সপোপেরাসাইটস হায়না খঙনৈ। হকচাং মনুংদা লৈবা পেরাসাইটসপুনা এন্দোপেরাসাইটিস হায়না খঙনৈ অমদি মসিগীসু *andobenzole tablets* মতম চানা থাবীগনি। অদুগা হকচাংগী উনশাদা লৈবা এক্সো-পেরাসাইটশিংগীদি স্প্রে অমদি শম্পু শীজিন্নদুনা ঙাকথোকপা ঙম্মী। খুদম ওইনা সিগী কেটেগোরিদা চনবা জীবশিংদি *Acariformes (mange), Ixodida (tick), Siphonaptera (Flea).*

⏩ *Fungal infection :* মীওইবগুম হুই অমদি হৌদোংশিংদসু *fungal infection* থোকই। খরা পল্লবদা *Ring worm, yeast dermatitis, staphylococcal infection, aspergillosis, candidiasis* নি। মখোয়না হুই-হৌদোংশিংদা লৈবা মতমদা উনশা তৎপা, এল্লর্জি তৌবা, ইনফেক্সন তৌরিবা মপা অদু থাগৎলগা লৈবা, উনশা অদু ঙাংশিনবা, কনশিনবা তৌগল্লি। মসিগী সিম্পটোমশিং অসি ইয়র, নেক নৎত্রগা মমৈগী পার্টশিংদা উবা ফংগনি। ফনবা পাম্বৈদি ইরুজবা লোইরগা কংনা তৈথোকপীয়ু, পাওদর কা হেন্না শীজিন্নবীগনু অমদি অতোপ্পা হুইশিংগা পূলহনবীগনু।

⏩ *Bacterial infection :* বেক্টিরিয়া হায়বা লায়না পোকহনবা ঙম্বা মীৎনা উবা ঙমদবা কয়া অমা উনশাদা, *secretory organ* শিংদা অমদি হকচাং মনুংদা লৈ। মখোয়শিং অসিনা হুই-হৌদোংগী মনুংগী অমদি মপানগী উনশাগী লায়না কয়া থোকহল্লি। মখোয়শিং অসি এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নদুনা লায়েংই। মসিগী কাঙলূপ্তা *Bacterial folliculitis, pyoderma, manges infection* চানবা য়াই।

⏩ *অতোপ্পা মখল খরা :* চিঞ্জাক্তগী ওইরকপা এল্লর্জি অমদি ইনভাইরনমেন্টতুগা চানদবা থোকপদৈ ওইরকপা উনশাগী এল্লরজিশিংসু থোক্তবা নত্তে। মসিগুম্বা হায়পরসেন্সিটিভিটি ওইবগী থোকপা এল্লর্জিশিংসু থোক্তবা নত্তে। মসিগুম্বা *hypersentitivity* ওইবদগী থোকপা এল্লর্জিশিং অসিদি অরৈবা শম্পু শীজিন্নবীগনু, ভেটিরিনরি ডাক্টর অমগা তানবীয়ু।

ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ খরা অমুক মখাদা থমজরি :

• ইরুজবা : য়ামদ্রবদা হাপ্তা অমদা অনীরক ইরুজবীবা তঙাইফদে।

• অতোপ্পা হুইগা তোয়না শান্নহন্দবা : ঐখোয়গী হুইবু অখঙবা হুইশিংদং লোয়নহনবীয়ু। মসিনা স্কিন দিজিজ খক্তা নত্তনা রেবিস ফাও লৌনরকপা লায়হল্লি।

• ইরুজবদা সাপোন শীজিন্নরোইদবনি : মসিগী মরমদি ঐখোয় মীওইবগা মখোয়গী স্কিনগা *texture* খেন্নবা অমদি *pH* সু খেন্নৈ। মসিনা স্কিন দ্রাই ওইরক্লবদি বেক্টিরিয়া কয়া অমসু লায়না চঙহনবা ঙম্মী। য়েংবদা লুপৌ লৈবা মানগনি। *Medicated vet* শম্পু ওইনা শীজিন্নবীয়ু।

• বোদি পাওদর/স্প্রে শীজিন্নবীদবা : যূমগী পাওদরগী মহুৎ *vet clinic* তগী ফজনা হংলগা পাওদর/স্প্রে লৈবীয়ু।

• মতু শাংবা ব্রীদস : মতু শাংবা হুই-হৌদোংদা পেরাসাইটস লৈবগী চাং অসি য়াম্না হেল্লি। অদুগা পাওদর নৎত্রগা স্প্রেগী মগুন অদু য়ৌনা কান্নবা ঙমহন্দে অদুনা মহীক লৈরবদি মতুশিং অদু তেন্না ককপীয়ু।

• খূজিন ককপা : মখোয়না মশাগী হকচাংবু মরৈনা নাম্থোকপগী হৈনবী অমা লৈজে। মসিদা খূজিন শাংলবদি অমোৎপশিং চঙদুনা মখোয়গী মপান অমদি মনুংদা ইনফেক্সন থোকহল্লি।

• হুই-হৌদোংগী সেল্টর হাওস : হুই-হৌদোংদুগী মকোন অদু নুংশা ফংবা মফমদা শাবীবা।

• ট্যুমরস/নাই চারকপা লৈব্রা হায়না চেক তৌবীবা : মখোয়গা লোয়নবা মতমদা অমদি ইরুজবদা অপোম্বা-অতংবা য়াওরবদি মফম অদু কা হেন্না নোইবীরোইদবনি অমদি মতু অদু তেন্না য়ারিবমখৈ ককপীরগা থম্বীয়ু। অদোমগী ভেটিরিনরি ডাক্টরনা লায়েংবদা হেন্না খুদোংচানবা অমদি অতোপ্পা মহীক চঙদনবনি।

• মতম চানা মচিঞ্জাক পীজবীবা : মসিগী মরমদি মখোয়না চাক লামদুনা অমোৎপা মফমদা চঙদুনা ফত্তবা চাশিনখিবা য়াওরবদি লায়না কয়া নারকপা য়াই।

• হুই-হৌদোংগী *comb, dryer* থম্বীয়ু : *Comb* অমা লৈবীরগা মশা পূম্বা হাৎপীয়ু, মসিনা ইরুজবগী মতু তাশিনবা অমদি স্কিন ট্যুমর তৌরকপা, পোমখৎলকপদা লায়না খঙবা ঙম্মী। অদুগা দ্রায়রনা মতুশিং অদু শেংনা কংনবনি।

• হুই মকোনগী অকোয়বদু দিসইনফেক্টেন্টস কাপ্পীবা : সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইদ, ফিনাইলনচিংবা কাপ্পীগনি। অদুবু চেকশিনগদবা অমনা ইন্সেক্টিসাইদস নৎত্রগা দিসইনফেক্টেন্টস ওইরবসু নাপি (গ্রাস) মথক্তা কৈদৌনুংদা কাপ্পীরোইদবনি, চাশিনখিবা য়াওরবদি পোইজনস ওইরক্কনি।

• হুই-হৌদোং কোল্লগা তূম্বা, ফমুংদা থম্বা তৌরোইদবনি : মসিনা ফ্লি, টিক্সশিংদু ফমুংগী ফৈজুপ্তা লৈহৌবা মতমদা কোন্না অমুক শন্দোরকপা য়াবগী ওইথোকপদুসু লৈরি অদুগা মরু ওইনা নুপীমচাশিংদা পেরাসাইটসশিং অসি চঙখিবা থোক্লবদি মিসকেরিএজ হায়বদি অঙাং ওইবা ঙমদবগী ওইথোকপসু লৈরি।

লোইশিল্লকপদা থমজনীংবদি, হৌজিক নিংথমথাগী মতম ওইবনিনা যূমদা লোয়রিবা জীবশিং অসিসু নারক্কদবদগী চেকশিনহন্নীংবগী অপাম্বসু থমজরি। য়ারিবমখৈ মখোয়গী দ্রেস হাপ্লবসু কটনগী হাপ্পীয়ু, নাইলোন ফি শীজিন্নবীগনু। উনশাবু তরূ তনান্না থম্বা হায়বসিনা য়েংবদা ফজবতা নত্তনা লায়না কয়াগী হৌরকফম ওইহনদবা ঙল্লিবনি।

* আর্টিকল অসি অমুক হন্না পানীংবগী অমদি হান্নগী হাপখ্রবশিংবু পাবীনীংবা রিদরশিংনা, *KANGLEIPAK VET AND PETS CARE* দগী অমুক হন্না মণিপুরী, ইংলিসঅমদি ঈ পেপর ওইনা পাবা ফংবীগনি।. ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।